# লিননা চিকপগী হীদাক লৈ, ফত্তবা মীনা চিকপগী হীদাক লৈতে - ফত্তবা মাঙহন্নবা হেন্না ময়াক কনবা হূগী মথৌ তাবরা?

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

*লাইদি হায়জরগা য়াই হায়জবদা য়াদবা মীসু লৈ।*

অসিগুম্বা হায়নবী অমা লৈরম্লিবগী মরমসি তাইবঙ মীওইবা মরক্তা ফত্তবা হায়গদ্রা নৎত্রগা তমথীবা কৌগদ্রা মখল খরগী মীওইশিংসু লৈ হায়নীংবগী ওইরমদৌবা মাল্লি। অসিগুম্লবা মী ওইগেরা লাই ওইগেরা ফৎখিদ্রবা তমথীরবা মহূ কোকহনবদা লুনা থোক্লবশিংগা মরী লৈনবা ৱারী ময়াম অমা লৈ। মী লাই শম্নৈঙে হাক্তকতগী হিংচা-য়াইতম্বগী মচৎনা খুদুম চনশিনবা ময়াম লৈরম্বগী ৱারী লাইরিক কয়া অমা থেংনখ্রে। ভগবান শ্রী কৃষ্ণগী মাম্মা কংসনা চথখিবা থৌওং থৌচত্তুবু শাথীদরা হায়বা! শ্রী কৃষ্ণবু মাঙহন্নবা হিংচাবা হিংচাবী ময়াম থাজিল্লকখিবদুদি থমখিসি। মচন নুপী দেবকীনা পোকচবা তাইবঙ মীরোন খঙজদ্রিবা অঙাংশিংদু নূংপাক্তা ফোপ ফোপ হাইহৎলগা হাৎপদুবু মী লাই অনীমক্না য়ানীংফম থোক্তে। রামায়ণগী ৱারীদসু অদুমঙাই লঙ্কা নিংথৌ রাবনগী মচত্তু কনানসু য়ানীংফম থোক্তে। হাত্তোকপা নত্তনা অতোপ্পা পান্বে লৈরোই। মহাভারত্তসু অদুমঙায়, দুর্য্যধনখোয়গী মাম্মা শকুনীনা কামথোরকপা হূদু কয়াগী মতিক ময়াক কনখ্রবনো? কুরুক্ষেত্রগী লাঞ্জাও হায়না য়ং য়ং লাউখৈ মমিং চৎলিসিনি। মালেম লৈথক লৈখা ফূৎ হেক ফাওরমদৌ মাল্লি। ঐখোয়গীদসু অদুমঙায় শরোয়-ঙারোয়শিংনা হেঞ্জুনহাবু শরাক তম্বীখিবগী অকি তুজুংলবা ৱারী লৈ। খন্বা-থোইবীগী ৱারীদসু নোংবান্না ফত্তবগী ৱারী শেগাক কায়খৈ খঙনৈ। মীনা ফৎলোই হায়না ফৎলক্ত্রবদা মহূ ময়াই চমহনবা হায়বসি হায়ফেৎ লুবজাৎনি, হীদাক লৈতে হায়বদুমক্লি। লাইনিংথৌ থাংজিংগী খূজিন থৌরাংনা পান্বা কৈরেনগী খয়াত্তা য়াইবী থৱায় মাঙখিকো। পঞ্জরিবশিং অসিনা মী-লাই য়ানশিন্নবগী ৱারীনি হায়বা য়াই।

মীওইবগী পুৱারীদা থোকখিবা থৌদোক ৱারী কয়াদগী খঙবা ঙম্মী মদুদি শাথীখ্রবা ফৎখিদ্রবা মীওই কয়া তাঙ্কক খুদিংমক্তা ফন-ফন হেক্তমক চোংথোরকখি। খুদম চাংদম অনী অহুমদং লৌখৎচগে। যীশু খৃষ্ট পোক্ত্রিবৈঙে মমাঙদা রোমদা লৈরম্বা ইনাক খুনবা খমদোং য়াইতোংবশিং খরদি তমথীবৈ চাং আ নোংদোন য়ৌবজাৎনি। মীওইবগী মীনুংশি হায়বদু মরীক অমত্তসু মখোয়গী থম্মোয়দা পক্তবজাৎনি। মখোয়গী থৌগল মপূং ফাননবা হোৎনবদা তূম্বা মচেৎ চাবা মচেৎ ওইজরবা মীওই কয়াবু চীন্দফাওবা পন্নীংদ্রবা মীনাই হায়বা ৱাহৈসিগী মিংদা অদুক্কী মতিক তমথীনা ওৎপী নৈবীখি। ফূবীবা, মৈ থাবীবা, মখোঙ মখূৎ থুদেকপীবা, কিহন-খংহনবা, নুমিদাংদা ছো লোনশিল্লগা থম্বনচিংবা মখল মথেলগী মীওৎ মীনৈনি। পূক্লিংগী পেন্দবা ৱাহৈ অমত্তং ফোঙদোকচরুবদা মখোঙ মখূৎ পূনশিল্লগা নুংশাদা য়াইফৌ থাদুনা কংশি শিহনবগী চৈরাক্তু কয়াদা শাথীখ্রবনো!

শীজিন্নবা য়াবা শীজিন্নরবা মতুং পাঙ্গল ময়েং তারক্লবদা অথাপ্পা ঈথৎকী দেজর্টতা নথন্তা শিজরো হায়না লংথোকখি। মখোয়দো মীরা মী নত্ত, হিংচাবরা হায়সু হায়ঙমদা মীহিংচা হায়না কৌরবসু য়াবজাৎনি। হায়জ নোঞ্জবনদি য়াররোই খঙবজাৎনি খূত্তা খূৎলায় পায়দুনা স্পার্টকস কৌবা অমগী লুচিং মখাদা হিংচা য়াইতম্লবা মপূশিংবু মাঙহল্লগে মতাগুম লান হৌরকখি। থায়নগী ৱাদি থম্বু থমখো পঙকুই কুইবা নৎত্রি, নাজি কন্সেন্ট্রেসন কেম্পকী মীওৎ মীনৈশিংদু।

ইন্দিয়াদসু অদুমঙায়, লাইনীং লিচৎকী মিংদা মী শরেন চনবা, সতীগী চৎনবীনি হায়দুনা অশিবা মপুরোইবা পোৎলোইবগী ব্রং ব্রং চাকপা মৈনুংদা নুপীশিংবু মশানা য়ানা নৎত্রগা য়ানীংদনা নম্ফুদা চাকথেকহন্দুনা শিহনবা, অউনপোৎকী ৱাহৌদা নুপী কয়াবু কেরোসিন হৈজিল্লগা মৈ থাবনচিংবা উহৈ তাহৈদবা থৌওং থৌচৎ কয়ানি চত্থরম্বদু। পূম্নমক অদু লাইনা শেল্লম্বা নত্তে। তমথীরে শাহিং চাবা জীবনি হায়নরিবা লম্লক্কী শা-কৈশিংগী থৌওংসু নত্তে। হৈরে শিংলে হায়রিবা মীওই খরগী কোক্লা শান্নরকখিবা দ্রামা ঙাক্তনি। ঐখোয়গী খুন্নাইদসু অকিবা থৌওং থৌচৎ ময়াম অমা লৈরম্মী মদুদি চায়নবা, লুরেন ককপা, লুখা থাবনচিংবা কয়ানি। চৎনবীশিং অসিগী মিংদা মীফত্ত কয়ানা খুদোংচাবা লৌখিবগী ৱারীসু লৈ। খুমন অথৌবা চাখা মোইরেম্বগী লুরেন কেনখিবদু হৈরেম লুচিংবা কাংবীসুনা মীরৈহৎ মীফত্ত ওইবননি। মদুননি চাখা মোইরেম্বগী মনাওনুপা শিখোং নিংথৌবনা ময়াম্বগী মংশক তাল্লকপদা হৈরেম খুঞ্জান খুল মাঙ তাকপগী ফীভম য়ৌখ্রিবনি। অসুম্না মীফত্তশিংনা চত্থরকপা থবক থৌওংদা ঐখোয়গী ইপা ইপু, ইমা ইবেন কয়া ***চহী তরেৎ খুন্তাকপা*** মনুংদা মীশি মীনা অমদি খাঙবদা ৱারবা চৈবী চৈথেং কয়া মায়োক্লখ্রিবনি। মশীং মপান নাইদ্রবা থৌদোকশিংগী মনুংদা মৈদিংঙু থৱান্থাবগী মতমদা থোকখিবা থৌদোকশিংসু পনবা য়াই। মৈদিংঙুগী লৈমা য়োইবু খুমন চনু শম্ফাবীবু তরেংয়োৎনা লৱাই লেম্ফুদা য়ৈশিন্দুনা হাৎপীখি। ওইদবা মরাল থঙজিনখিবনি। মদুগী লমন খুম্বা ওইনা খুমন লৈমা মৈতৈ চনু চীংখৈ ললউনথানবীবুসু চপ মান্নবা চৈরাক পীদুনা হাৎখি। অসিগুম্বসিবু অফবা থৌওংনি হায়না লৌগদ্রা?

হায়নবী অমসু লৈ মদুদি - ***মীফত্ত অমগা ওনশিন্নদৌবগী শরুক কৈ মমায় নাঞ্জরুগে।*** তশেংনমক হায়রবদা মীওইবা পুৱারীগী শরুক খরদি মীফত্ত খরনা মী ময়াম অমদা অৱাবা চৈথেং পীবগীনি হায়বা য়াই। ঙসিদি ৱাখল তাবা য়ারবা মতাং ওইরক্লে। ৱাখল লৌশিং চাওখৎপা লৈবাক মচা তাখৎলকপগী চাংদি হ্যুমেন রাইটসকী ৱাফম য়ং য়ং লাউনরক্লবনি। মসিমক্তদা চীনগা খূৎকা মান্নদবগী মতৌ অমদি অদুম্মক লৈরি। মীগীদি হায়জররোই, ঐখোয়গী ইরমদম অসিদা হৌজিক হৌজিকমক থেংনরিবশিং অসিবু লাইগী থৌইনশিন্নি হেক্তমক হায়জিনবা য়াগদরা? ঐখোয়গী খুন্নাইসিদি অতৈ অতোপ্পশিংদগী খরা তোঙাল্লি। ফত্তববু মাঙহনবা হায়বা থৌওং অসি য়াদ-য়াদ্রবা মতাংদা পায়খৎপদৌনা তৌই। য়ারিবমখৈ তাইশিন মেনশিন্নবা হোৎনবগী ৱাখল্লোন লৈবগুম্মী। খুদম হায়ববু শারোয়-ঙারোয়, তীলমু-লাইমু তুমহন্নবা হোৎনদে, মখোয়না পামজবা মচীঞ্জাক থাদোক্লগা মতেফমদা তেখিনবা, মহনফমদা হনখিনবা শারোয় খাঙদুনা লাইথৌ, তীনথৌ পাঙথোকই। মদুনরা খঙদে, মণিপুর ইমাবু থৌওই উশিত্তবগী থৌওংশিং হেক-হেক চথ্দুনা লাক্লিবসি। হন্দক্কীসিনা খ্বাইদগী শাথীবা অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। ঐখোয়গী খুন্নাই নীংখায়রবা তোর্ব্বানগা পাংখক ওইরক্লবরা হায়বগী অকিবা লৈরক্লি। অসুম্না খুন্নাই মূৎখিবা য়াবা লৈবাক কায়বগী অকিবা মতাং য়ৌরক্লবসিদা তাইশিন মেনশিন্নবগী ৱাখল্লোন চন্নফম লৈগনি থাজরক্ত্রে। অশাববু অশাবনা লোকপগী মথৌ তারক্কদৌবা মাল্লি। মসিনা ওইবসু য়াই, ইচা-ইশু ময়াম অমনা থৱায় খূবাক্তা হাপ্তুনা চোঙথোরক্লিবসি। লান পান্বখক্কী ওইনা লৌবসু লানগনি। ফত্তবা মীওইশিংবু পাড়া তম্বীনবা ওইফম থোক্তবরা? ●

# য়াওশঙ মূৎকদৌরিব্রা খঙদ্রেদা

- নবকুমার ওইনা -

য়াওশঙসু মন্থরকপগী ফদি শাগদৌরিব্রা? ফুরিৎ-ফিরোন অমনবা নুরা-ফদি ওইনরিবনি। হৌজিক্তি ৱাইপর কৌরগা অহনবা ওইনা শীজিন্নরে। গাড়ীগী থাওথী তৈরগনা যারোল কৌনবা য়াওরি। লোল য়ানবদগী হৌরগা য়াওশঙসি পোৎয়ান, চাবদা হকচাং শোক্লবা হূ চেল্লবা চীঞ্জাক ওইরক্লে। খোঙনন ফদিগুম চান্ল-চান্লগা মোৎপসু লৈ।

নাৎ অমা হিংবদা য়ানশিল্লকপা হায়বসি মী ওইনা য়ানশিল্লকপা নৎত্রগা ৱাখলদা য়ানশিল্লকপা ওইবসু য়াই। মফম অয়াম্বদা থোক্লরিবা ৱাথোক ওইরকপসু য়াই। মসিমক্তি ফত্তবা লান অমা শন্দোরকপনিকক্না হায়বদি লানগনি! গ্লোবেল হোম অমা শাগৎলকপদা থোকপা, মশা মদোম থোকচরকপা, প্রেসিপেটেসন অমনি হায়না লৌগদৌবনি। খন্থবা ৱাৎপা অমদগী কাঙলূপ মরক্কী লান ওইনা লৌবসু য়াওবা য়ারিবনি। হিংমিন্নবা পামদবা, হৈতবা, য়ানীংদবা, তোঙান চাবগী হৈনবীদা লেনবা পান্বশিংনা ৱাথোক ওইনা লৌনবসু য়াই। অশেংবদি মীওইবগী মশা মশানা খল্লিবা ৱাখল্লোন্দা হাপচিন্দবা য়াদবা লোনচৎ হায়বদু ওইরক্লবনি। পূন্না হিংমিন্নবা হায়বসি আর্ট অমা ওইনা তম্নদবা য়ারোইদৌরিব্রা? লাইরিক ওইনা খরা পানবসু য়ারিবনি।

‘হরি হরি বোল্লো, হে হরি... ঙসিনা লাইরেল নোংজাদা’ কনানা করি খল্লগা হায়রম্বনো, কনানা খঙলিবগে? মখোয় খরগীদি মমালোন ওইরম্বসু য়াই। ‘হরি বোল্লো, য়াওশঙ মৈ থারে’ হায়বসি য়াওশঙ মূথৎলো হায়বগুম্না লৌবসু য়ারি, য়াওশঙদু হোলি ওন্থোকপনি হায়গনি। য়াওশঙ-হোলি-দে হায়বগা য়াওশঙ হোলিদে হায়বগা ৱাপু মান্নদে হায়বসি মুন্না খন্থবা মান্দে। য়াও পরেংগী হৌনবা মাঙ থংবগী মতুং পঙইন ইনবা ওইগনি। পুক ফৎনদবদগী পঙহায় হায়শিনবদি ওইগদৌবা মান্দে, মতম মতমগী খোঙথাংদা ফীভম্না পুরকখিবা ওইরমগনি। লাইরিক তম্বীবগসু মরী লৈনরকই, স্কুলদা স্বর্সতি পুজা তৌনরম্মী। ঐখোয়গী মরক্তা পঙশাও শাওনবসু চুমগনি হায়বা লৈতে, মতম্না পুরক্কনি হায়বসিসু চুমদে, মতম য়ৈথবদু পান্বশিংনা হায়বনি, হোংবদি খুদক্তা হোংবা হৈগদৌবনি, মদুবু চাওখৎপা কৌই। করি করম তৌরগা ঈংনা চিক্না লৈমিন্নবা য়াগদগে খন্থনবনা চুল্লগনি। ঐগী ঐগী পামজবনি, হৈনজবীনি হায়রবদি মফম মতমগী ৱা পুথোরক্কনি। লানবা চুম্বদগী হেন্দোক্তুনা উশিত্তবগী ৱাফম য়াওনরকপা য়ারিবনি।

য়াওশঙদি লাইগী থৌরম ওইনা হৌরক্তে হায়বসি চহী চামঙাগী মমাঙগী ৱারী নীংশিংবদা খঙবা ঙম্বসু য়াই। মীয়ামসিসু এগজাম অমা য়াওবা তারক্লি, মচাশিংগী ট্যুসন তৌবগী কোইচেন চেল্লিবৈঙে ফেল ওইবসু য়ারি, মরমদি মমা-মপাশিংদি ট্যুসন তৌনদে, লাইরিকসু ইপা পানদে হায়বসু য়াওনরি। অঙাংশিংদি অহলশিংগী তুং ইনবনি হায়বসি য়ানরক্তবসু য়ারি। নহাশিংনা হেঞ্জিন্না মীতৌ তম্বসু লৈতবা নত্তে। কুমসি চহীগী য়াওশঙনা পীরিবা ৱাখলগী চৈথেং অসিগী কান্নবা মপূং ফানবা নৈনফম থোকই। শা-লান খরা থোকপগী মরক্তা য়াওশঙগী অমাঙ-অতোং য়েংবা অদুতা নত্তনা অশেংবা শক্তম অমা থিদোকহৌবসু কান্নগনি খল্লি।

নীংশিংবা থোক্ত্রিবৈঙে মতমদগী য়ূমলিং খুল্লিংদুনা লৌউ-শিংউবা হৌরকপদা মরূ-মরাং হুনবা লৌফম শঙনরম্বগী চৎনবী নাৎ লৈবা হায়বসি খুন্নাই খুদিংদা থেংনরকপা অমনি। কুইদ্রিবা চহী য়াঙ্খেদগী হুম্ফু ফাওবগী মরক্তসু তম্পাক লমদা লৌশঙ শাদুনা শঙনরম্মীবনি। চীংদসু মঙায়; শা-ষণ, য়োং, খৈরোই, লমওক, উচেক-ৱায়াদগী ঙাক শেন্নরম্মীবনি। কাঙলূপ খরগীনা মরূ-মরাং হুনবগী কুম্মৈশিং পাঙথোক্লরিবা অসিনি, তম্পাক্কী লম মচেৎ অসিদা হোলি ওইনা হৌরকখিবা নত্তে, নুমিৎ মান্নরুবদগী তোৎশিন্নখিবা ওইগদৌরিবনি। মসিদা থোয়না চমম্ননিঙাই লৈতে, কংয়েৎ য়েৎননীঙাইসু য়াওদে খল্লি। করি তৌরগা তুংগী শক্তম অমা লেপথোকপা য়াবগে হায়বদু ৱাখল থাদনফম থোকই হায়বা খঙনগদৌবনি। শা-লান হৈরম্বা ফূরুপ অমনা হরাও কুম্মৈদা কেবাক থোক্লা লেল্লুরে, ঙসিদি মদুগী চৈনা ফংলরে। মী মরক্তা শম্বল খারুরে, মী মরক্তা হন্থনা খন্নরুরে, ঈশাগী চফূ কায়রে, ক্বাক্লা হরাওরে। কাঙলূপ খায়দনা লৌশঙ, নুংশিৎ শঙ শাদুনা নহাশিংনা য়ারেক্তুনা, য়াওন্দুনা, থোং-থাক্তুনা চাবা থকপা তৌদুনা শঙবদগী য়াওনশঙ অদুগী মমিং লৌদুনা য়াওশঙ কৌরকপা ওইগদৌরিবনি। মপান লমগী নাৎকী মমি য়াওদে হায়গনি। মরক্তা মীওই খরনা খুদোং চাবা লৌদুনা নাৎ অমা শন্দোকপা পান্বদগী ফূরুপ অমদা শোকপা থৌওং কয়া চত্থরুবা ওইবা য়ারিবনি।

নাক্কা থেং হায়বসি য়াম্না ফজবা ৱাহৈ অমনি, লৌশঙদা লেক্কদবশিংগী চানবা য়ূমথোঙ-য়ূমথোঙ চঙদুনা চেঙ-চাক খায়রগা পুবগী চৎনবী ঙসি ফাওবা চৎনবা লৈরিবনি। মচা পিবা পোক্তবশিংগী মচা নিঙোলনা য়ারেকপা য়াওবদগী ৱা থোকপগী ৱারী মালেমগী ওইবা লাইরিক কয়াদা য়াওরিবনি। মদুগী মথক্তা থাবল চোঙবগী চৎনবী লাকপদগী নুংশি-চান্নজবা খন্নবগী খুদোংচাবা অমসু য়াওশঙ থাবল চোঙবনা পীদুনা লাক্লিবনি। খুন্নাই অমা ওইনা হিংবা ঙম্নবা অচৌবা থৌদাং অমা য়াওশঙনা লৌরগা লাক্লিবনি। য়াওশঙদগী চৈরাওবা ফাওবা নহা পাখঙ লৈশাশিংগী মথুম-মরাং হৌবা মতম্নি। মসিগী খুদোংচাবা অমসু লাইনীং-নাৎ শন্দোকপা কাঙবুনা খূৎলায় ওইনা শীজিন্নখিবা মাল্লিবনি। হৌজিক্তি মিংতগী ওইনা লাইগী থৌরমগা নক্লবা মাল্লক্লবনি। মদুসু লাইশঙ খরখক্কী তৌজবতা ঙায়রবনি, মীওই খরখক্কী হৈনজবী হায়বদু ওইরবনি। অদুগা রেদিও, টিভিদা অরিবা ঈশৈ খরনা লাইগী থৌরম ওইনা উহনবা মাল্লিবনি, নাৎ অমবু অমোৎপা তৈশিনবগুম উবসু য়ারিবনি। অশেংবা শক্তম অমা শাগৎহৌদ্রবদি মীওই অমা অনীগী ৱাখলনা চিংথদুনা য়াওশঙগী অশেংবা শক্তম মাঙখিবা য়ারিবনি। তোংশিন্নরগা ঙাঙবা য়াম্না তোয়না তারি, ঙকপা ফাওনবসু য়ারিবনি। মপূ শারগা মেৎখায়দুনা মাঙহনবা তাগদৌরি।

য়াওশঙবু হুরান-চিন্থিগী ট্রেনিং পীবগুম উনরম্লবনি, মদুমক খুন্নাই অমা শিথরুবগী খুদম ওইগদৌরিবনি। খুন্থক-খুনখা খায়বা, ফূন-চৈনবা, হাৎনবগী থাক য়ৌরম্লবনি। লৈত-লায়র শারগা নমখায়-খায়বগী থাক অমদা চঙশিল্লম্লবনি। মদুসু লাই অমগী মমিংদা কিহল্লগনি, পীদ্রবদি শাপ তৌগনি খলহনবা, নাপল অমনা শেল য়াম্না কৎপা তান্নহনবা য়াওরিবনি। নাপল অদুমক্লা য়াওশঙগী অশেংবা শক্তম মূথৎপদা মতেং পাংশিল্লিবনি। য়াওশঙনা য়াওশঙনি, হোলিনা হোলিনি; তোৎশিন্নবশিংনা তৌরিবসি ফজবা নৎত্রে হায়রগনি, য়াম্না থোয়না মপূ শাবসু ফজবা নৎত্রে। মখা তানা ফজদবা ৱাথোক লাক্ত্রিবৈঙেদা চনীং তানা হন্দোক্লহৌবনা অফবা খোঙথাং ওইগদৌরিবনি। লাইগী মিংদা শেন্দোংতবু উরগা চৎলবদি চোপ্পা য়াবগী থাক অমদা চঙশিনখিবা য়ারি। খুন্নাইলোনগী ফজখ্রবা নাৎ অমবু হন্থবা থাক্কী শেনখায় ওইনা, হয়া লাংবা থৌওং ওইনা ওন্থোকপা ফজবা ওইরোই খল্লি।

য়াওশঙনা মুক্লা-কাংজৈগী টুর্নামেন্ট তৌদুনা লাকখি, চৈরাওবদা লোইশিল্লিবনি, চোন্থবসু য়াই। লাইগী ৱা য়াওদে, শান্নপুঙ কংলিবৈঙে নোজুথা মাঙওইননা, চহী হৌবগী কুম্মৈ ওইরম্লিবনি। কাং শান্নবা হায়বসিমক খম্বা-থোইবীগী ৱারীদা অচৌবা তাঙ্কক অমা ওইরিবনি। খম্বা-নোংবান চাংয়েংনবসি মুক্লা-কাংজৈনা ওইরিবনি।

য়াওশঙ হায়বসিমক দোর্মিটরি ক্লব হায়বদুনি। ●

# মকুম থানা লাকপদা লৈশাৎ তম্লরে কুম পুবী লৈরাং কোম্বীরৈ

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার —
চীফ সাইন্টিষ্ট
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট
ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

কোম্বীরৈ... কোম্বীরৈ মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা পান্বীশিংগী মনুংদা থোইদোক হেন্দোক্লা শীংথানীংঙাই ওইরিবনি। ‘কোম্বীরৈ য়ারল পাৎকী কোম্বীরৈ পায়মা পূক্লিং নুংওল্লে... হো করি পাউখোঙনো চল্লিদো”... ঈশৈ অসি তাবদা পূক্লিং নুংওন্দবা কনাবু য়াওবগে? থম্মোয় মথুম-মরাং হৌহল্লি, নীংশিংবগী ঈপাক্তা তাওহল্লি। য়ারল পাৎতা শাৎপী লৈ... লম্ফেলপাৎতা ওংবী লৈ - লম্ফেল নাৱা কোম্বীরৈ... ঈশৈ অসি ঙসিদগী চহী ৫০ রোমগী মমাঙদা লুহোং-খোংদোংবা অমদি হরাও-কুম্মৈশিংদা য়াম্না পাম্না অমদি তোয়না মাইকতা খোংনরম্বা ঈশৈনি অদুবু ঙসিদি অকাউবগী লৈরোলনুংদা চঙখিবগুম্না ঈশৈ অসি তাখিদ্রে অমদি ঙসিগী নৌরিবা মীরোলশিংনা শকখঙদরে। কোম্বীরৈ পান্বীবু শৈথাদুনা ঈশৈ কয়ামরুম শকখ্রে অমসুং মমি সিনেমাসু পুথোকখ্রে। লৈরাং অসিগী মমিং লৌদুনা নুপীশিংগী মিংথোল থোন্নরি। পান্বী অসিগী থোইদোক্লা চন্নফম ওইবদি মীতৈ নৎত্রগা মীতৈশিংগী চহী হৌবা নুমিৎ শজিবু চৈরাওবা নুমিত্তা চঙফদ্রবা লৈরাং অমা ওইনা কৎনদুনা লাকপা অসিনি।

শজিবু চৈরাওবা লাকপদা লৈশাৎ তম্লরে কুম পুবী লৈরাং কোম্বীরৈ। করি মরমদগী কোম্বীরৈ পান্বী অসি মণিপুরীশিংগী (মীতৈ) চহী হৌবা শজিবু চৈরাওবা নুমিৎতা কৎনরিবনো হায়বগী ৱারীশিং লৈ। ৱারী অমগী মতুংইন্না য়াম্না লিরবা মতমদা শাগৈ-জাৎ হন্থবী লৈশাবী অমগা শাগৈ জাৎ ৱাংবা পাখঙ অমগা নুংশি-নুংওনগী মরী লৈনরম্মী অমসুং মখোয় লৌন-লৈনবগী ৱাখল লৈরমখি অদুবু মখোয় অনীগী নুংশিনবা অদু খুন্নাই অদুনা য়ানীংখিদে অমসুং থিংখি। মসিনা মরম ওইদুনা থৱায় চাক্লা নুংঙাইখিদ্রবা লৈশাবী অদু মথন্তা আত্মা-ঘাট তৌদুনা শিজখি। লৈশাবী অদুগী অশিবা হকচাং অদু পাৎ অমগী মপান্দা হুন্দোক্লবা মতুংদা অশিবা হকচাং অদুদগী মণিপুরী কোম্বীরৈ পান্বী অসি হৌরকখি হায়না থাজনৈ। হায়রিবা কাঙলূপ-ফূরুপ খায়বগী থৌওং অসি মূথৎনবগীদমক্তা মীতৈশিংনা কোম্বীরৈ পান্বী অসি চহী হৌবা নুমিৎ শজিবু চৈরাওবদা কৎপনি হায়না লৌনরি।

কুমজা ২০২৪গী মার্চ ৩দা ওজা মাখোনমনি মোংসাবনা হুইয়েন লানপাউদা ইবিখিবা পাউদম - ৱারেং মতেক অদুদা শৈশকপা মোইরাংথেম টিকেন্না কোম্বীরৈ শৈথাদুনা চান্দম স্যামাচরনগী ময়েক্তা, ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগীদমক্তা শকচখি - “কোম্বীরৈ লম্ফেলপাৎকী কোম্বীরৈ, লৈরাং লৈশাৎ উদবা, কোরৌ মশীং য়াম্লক্লে, লমলেন কৈদা শাৎখ্রবা, পোইরৈ কৈদা ঙানখ্রবা, নুংশি চৈনা পীগে খন্না, থম্মোয় লৈনা লোৎশিনব্রা? থম্মোয় মৈচাক হাপকে খন্না। কোম্বীরৈ লম্ফেলপাৎকী কোম্বীরৈ”। মতাং অসিদা ঈশৈ অসিগী শৈয়েক ইবিরিবা অসিনা ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদগী কোম্বীরৈ পান্বী অসি মাঙশিল্লকপা অদু ফোঙদোকপা ওইগনি। তশেংনমক লমদম অসিগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা কোম্বীরৈ পান্বী অসি অৱাবা ঈপাক্তা তাখিদুনা অথুবা মতমদা কনবীদুনা ঙাক শেন্দ্রবদি ইরমদম অসিদগী মাঙখ্রগনি, উবা ফংলরোই। মরম অসিনা ইরমদমগী কোম্বীরৈগী মতাং থিজিন-হুমজিনবা অমদি ঙাক শেন্দুনা থম্বা অসি ঐখোয়গী তঙাইফদবা অমনি হায়না লৌবগী তঙাইফদবা অদু লাক্লে।

মালেমদা কোম্বীরৈ পান্বী মখল হায়বদি স্পিসিস ২২৫ হৌবগী পাউদমশিং লৈ। মখোয়শিং অসি অৱাং থংবা বিষুপরেখা (নোর্দন হেমিস্ফ্যর) গী টেম্পরেট অমসুং সব অর্ত্তিক্কী মফমশিংদা



অয়াম্বা হৌই। অদুবু খ্বাইদগী নৌবা পাউদমগী মতুংইন্না স্পিসিস ২৬০দগী ৩০০ লোম হৌই। পোলুনিন অমসুং ষ্টৈনটননা কুমজা ১৯৮৪ অমসুং বোটানিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়াগী মতুংইন্না হিমালয়গী লমদমদা কোম্বীরৈ পান্বী টেক্সা ২১ অমসুং ইন্দিয়াগী ওইনা টেক্সা ২৩ হৌই হায়না পাউদম্লি। হায়রিবা টেক্সা ২৩ অসিগী মনুংদা স্পিসিস ৩ হায়বদি আইরিস ক্লর্কি (Iris decora Wall. Clarkei Baker ex Hook f.), আইরিস দেকোরা (Iris decora Wall.) অমসুং আইরিস ৱাতী (Iris wattii Baker ex Hook f.) অসি মণিপুরগী চীংগী অৱাংবা মফমশিংদা মহৌশাগী ওইনা হৌজে। অদুবু পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা মণিপুরগী তম্পাক্কী পাৎথী-কোমথীশিংদা হৌরিবা কোম্বীরৈ পান্বী অসিদি পাউদম অসিদা য়াওদ্রি। ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার অমসুং ডা. এ এ মাওনা হন্দক্তা ইকুই কুইদ্রিবৈঙেদা পুৱারীগা শাগোন্নরবা কোম্বীরৈ পান্বী অসিগী বীজ্ঞানগী ওইবা মমিং অসি আইরিস লেভিগাতা (Iris laevigat Fisch) কৌই অমসুং মসি ইন্দিয়াগী কোম্বীরৈ পান্বী মখল ২৩ অদুগী মথক্তা অনৌবা স্পিসিস হায়বদি ২৪শুবা স্পিসিসনি হায়না সী এস আই আরগী ওফিসল ওইবা চেফোঙ ইন্দিয়ন জর্নেল ওফ ত্রেদিসনেল নোলেজ (Indian Journal of Traditional) হায়রিবা বীজ্ঞানগী চেফোঙ ভোল্যুম ২৩, লমায় ৩৫দগী ৩৮ অমসুং কুমজা ২০২৪ অসিদা শেংখ্রে। মরম অসিনা মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নরবা কোম্বীরৈ পান্বী অসি ইন্দিয়াগী ফ্লোরাদা নৌনা হাপচিন্দুনা ২৪শুবা স্পিসিস ওইরে।

ঐখোয়গী তম্পাক্কী লমদমদা মতম অমদা অদুমক মরাং কায়না হৌরম্বা মণিপুরী কোম্বীরৈ হায়রিবা শজিবু চৈরাওবদা কৎনরিবা পান্বী অসি ঙসিদি মণিপুরদগী থুনা মূৎশিল্লক্লে। কুমজা ১৯৬১দা বোটানিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়াগী বুলেটিনদা দি বি দেব কৌবা বোটানিষ্ট অসিনা ফোঙখিবা পাউদম অদুগী মতুংইন্না লম্ফেলপাৎকী পাৎথী-কোমথীদা হৌরম্বা কোম্বীরৈ অদুগী বোটানিকেলগী ওইবা মমিং অদু আইরিস বেকরি (Iris bakeri Wall.) ওইরমগনি হায়না ফোঙখিবনি অদুবু মখা তারকপদা হেন্না কুপথনা থিজিনবগী তঙাইফদবা অদুসু মহাক্লা থমখি। মতমদুদগী হৌনা মণিপুরগী তম্পাক্কী কোম্বীরৈগী বোটানিকেলগী মমিং অসি আইরিস বেকরি হায়দুনা শীজিন্নরক্লি অদুবু তশেংনমক মমিং অসিদি লৈতবা অমদি শেরান্নবা মমিংনি। অইবা অসিনা চহী কয়ামরুম চঙনা থিজিনবদগী খঙবা ঙমখ্রে মদুদি তম্পাক্কী কোম্বীরৈগী বোটানিকেলগী ওইবা মমিং অসি আইরিস লেভিগাতা কৌই হায়বসি লন্দন্দা লৈবা রোয়েল বোটানিক গার্দেনগী কোম্বীরৈগী থিজিনলোয় প্রোফেসর টোনি হোলনা চুল্লে হায়না অইবদা চেরোল থারকখ্রে। ঙসি ঙসিমক মণিপুরগী তম্পাক্কী অয়াম্বা মফমশিংদা থানরিবা কোম্বীরৈ মখল আইরিস সেঙ্গুইনিয়া (Iris sanguinea Don ex Hornem) থোইদোক্লা ব্লদ আইরিস অসিদি মতম খরগী মমাঙদগী মপান্দগী পুশিল্লক্তুনা থাখিবনি, ঐখোয়গী পুৱারীগা শাগোন্নরিবা কোম্বীরৈ অদু নত্তে। হায়রিবা কোম্বীরৈ মখল অসিদি লৈকং অমদি খরা চোত্তক তৌবা মফমশিংদা হৌবা ঙম্মী অমসুং মপূং ফানা লৈ শাৎলি অদুবু মণিপুরগী কোম্বীরৈ অসিদি পাৎথী কোমথীখক্তদা হৌবা ঙম্মী অমসুং লৈ শাৎলি। পাৎ মাঙশিল্লকপনা মরম ওইদুনা ঐখোয়গী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা কোম্বীরৈ অসি মণিপুরদগী য়াম্না থুনা মূৎশিল্লক্লি অমসুং ঙাকপী শেনবীদ্রবদি পুংমূৎ মূৎখিবগী অকিবা অদু লৈ।

মণিপুরগী কোম্বীরৈ অসিগী হিগোক মচুগী লৈ অদুদগী লৌবা মচু অদুনা মখল কয়াগী লাই য়েকপদা মরু ওইনা নিংথৌগী অতাঙবা লাইশিং য়েকপদা শীজিন্নরম্মী হায়বগী পাউদমসু লৈ। কোম্বীরৈ মখল খরদি খোঙ হামথবা, হরা-কংখু তৌবা অমদি দ্রোপসি হায়না খঙনবা হকচাংদা ঈশিং পৈখৎপগী লায়নাশিংদা হীদাক ওইনা শীজিন্নে। অরোইবদা থমজনীংবা চেকশিন ৱাদি মণিপুরদগী কোম্বীরৈ অসি মাঙখিবা মতমদা ইন্দিয়াগী ফ্লোরাদগী স্পিসিসস অমা মাঙখিগদৌরিবনি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৭

১) **“চাণক্য নীতি”** (২০১৩) হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

২) **“মালেম অতিয়া”** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

৩) **“শাউনরগা মখোয় মশেল**
**মীচঙ খোল্লদুনা নাকপাক নাকপাক**
**লেপ্লে শীংনদুনা**
**লান তৌনৈ**
**খম থেংনা নুংশিনদে।”**

শৈরেং মতেক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্তা য়াওবা শৈরেংনো? লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

৪) **“থৱাইগী মনি সনামতুম”** হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? অইবগী মমিং হায়য়ু।

৫) **“অনীশুবা লাঞ্জাওগী বোম”**হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।